# মৈহৌরোলদগী চৎনরকপা লায়েং পথাপ খরা

– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –

হৌজিক্কী মতমসিদা লায়না-লাইচৎ কয়া অমা লাকশিন্নবা য়ূমদগী মপান থোক্তুনা অনা লায়েংগী হীদাক লাংথক লৈনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা মতমসিদা ইনাক্তা ফংলিবা মখাদা থমজরিবা খরসিনা শা-ষণ নারকপা মতমদা শীজিন্নদুনা অনা-অয়েক কয়াদগী ফহনবা ঙমগনি।

**ক) মশা শাগৎপদা হৈবোং মনা শীজিন্নবা :-** মশা শাগৎপদা হৈবোং মনাসি নোংমদা খরা য়াম্না অহুল্লক থোক্লা পীজবীবা অমদি হায়রিবা মনাসি মরৈদা নোংমদা অহুম/মরিরক তৈবীরগদি মশা শাগৎপা হন্থহল্লি।

হৈবোং মনাদা চিনিগী শরুক চাদা ৩১.৪ য়াওই। মসিদসু নত্তনা মিনরেল, ভিটামিন কয়া অমসু য়াওরি। হৈবোং মনাসিনসু মথী-ময়ুং নিংথিনা ফাইবা ঙমহল্লি অমদি মশাদা লৈরিবা লোকশিং লৌথোকপা ঙমহল্লি।

**খ) মশা শাগৎপদা য়াইঙং অনৌবা/মনাওগা চিনি অঙাংবগা শীজিন্নবা :** য়াইঙংশিংদু নিংথিনা চামথোক্লবা তুংদা পেষ্ট শেল্লগা চিনি অঙাংবগা পূন্না য়ান্নবীরগা নোংমদা ২-৩ লক পীজবীগনি। মসিনা হকচাং শাগৎপা হন্থহল্লি। য়াইঙংদা কেফিক এসিদ, করকুমিনগী চাং য়াম্না য়াওই।

**গ) মখোঙ হাম্বদা শীজিন্নবা য়াবা মখলশিং :- ১) ৱা মনা :-** নোংমদা ৱা মনাসি মরাং কায়না অয়ূক অমদি নুমিদাংৱাইরমদা পীজবীরগদি মথী পেৎলম্বদগী কনশিল্লকই অমদি দাইরিয়া ফহল্লি।

**২) সিটাফোল :-** অশংবা নৎত্রগা খরা মুল্লপ তৌবা সিটাফোলসি অহুম/অহুম অনীরক থোক্লা অতোপ্পা মচিঞ্জাকশিংগা পীজবীরগদি মখোঙ হাম্বা হন্থে। করিগুম্বা মতমদসু সিটাফোল অশংবসু পীজবদা মখোঙ হাম্বা ফহল্লি। সিটাফোলদা তুম্নবগী শরুক য়াওই অমদি থীরিনগী অনাবা কয়া অমসু ফহল্লি।

**৩) ৱাইকুপ/চেঙকুপকা লফোইগা পূন্না শীজিন্নবা :-** ৱাইকুপ/চেঙকুপকা লফোইগা পূন্না তোৎলগা পীজবীবা মতমদা মখোঙ হাম্বা হন্থহল্লি। মসি ষণদা ৱাইকুপ কেজি অমদা লফোই ৪-৫ হাপ্লগা নোংমদা অহুল্লক থোক্লা নুমিৎ নীনি/হুমনি পীজরগদি মখোঙ হাম্বদগী কনবা ঙম্মী।

**৪) সনাহী মহী শীজিন্নবা :-** শঙ্গোম সনা শেল্লবা মতুং মহীদু পীথকপদা মখোঙ হাম্বদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। সনা মহীদা য়াওরিবসি ভিটামিন এ অমসুং দিনি। মসিদা এন্টি বেক্টিরিয়েল প্রোপর্টি য়াওই। মসিদসু নত্তনা অতোপ্পা মিনরেল, প্রোটিন, ফেট অসিনচিংবা কয়া অমসু য়াওরি।

**৫) মঙ্গে মনা অমদি হঙ্গাম মরূ শীজিন্নবা :-** মঙ্গে মনা অমদি হঙ্গাম মরূ ঈশিংগা কোন্ননা পুক হাংলিঙৈদা নুমিৎ হুমনি নোংমদা অনীরক পীজবীরগদি মখোঙ হাম্বদগী অমদি দাইসেন্ত্রিদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

**খ) মচিন মরৈ অমদি মখোঙ নাবা :- ১)** নীম মনাসি ঈশিংদা ফুৎলগা মহীদুনা মখোঙগী লোংখুমদা শোক্লিবদুদা চামথোকপীরগদি অনাবসি য়াম্না থুনা ফৈ। মসি য়াম্না তোয়না তৌবীগনি। নীম মনাদা এন্টিসেপটিক এন্টি বেক্টিরিয়েলগী প্রোপর্টি ময়াম অমা য়াওরি। নীমদা নীমবিন অমদি নীমবিসিদিন য়াওবা মরম্না অশোক অপন কয়া অমা ফহল্লি, হকচাং শাগৎপা হন্থহল্লি, অনাবা ফাওহন্দবা ঙমহল্লি।

**২) লৈখোমদা চৎহনবা :-** মচিন মরৈ অমদি মখোঙ নাবশিংদা লৈখোমদা চৎহন্দুনা অশোকপা মখোঙশিংদু লৈখোমদা য়োল্লগা থমদুনা হয়িং, কাঙ অমদি অতোপ্পা তীলশিংনা চঙবা ঙমহন্দে। মসি কা হেন্না অফবা লায়েং পথাপতি ওইদে।

**৩) করপুর নৎত্রগা টরপেন্টাইন ওইল শীজিন্নবা :-** অশোকপা মখোঙদু নীংথিনা চামথোকপীরগা করপুর অমদি টরপেন্টাইন ওইলনা মীকচর শেন্বীরগা অশোকপা জগাদা তৈবীরগা অনাবদু ফবা ঙমহল্লি।

**৪) ফীজিগ্রিগা খোইহি/চুহীগা শীজিন্নবা :** মচিন মরৈ নাবা মতমদা শা-ষণশিংদু মখনাও মনুং অমদি মরৈদা চাথৎপা কয়া অমা উবা থেংনবীগনি। মসিনা চাবা থকপদা অৱাবা অমা ওইহল্লি, চাশিনবা কয়া য়াদে। মসিদা ফিজিগ্রগা খোইহি/চুহী হাপ্তুনা মীকচর শেল্লবা মতুংদা চৈ অমদা লশিং য়োল্লগা হায়রিবা মীকচরসিদা লুপ্পীরবা তুংদা মচিন কাথোকপীরগা মরৈদা নোংমদা ৩/৪ রক তৈবীগনি। মসি নুমিৎ ৪/৫নিমুক তৈবীরগদি অনাবা অসি ফবা ঙমহল্লি।

**ঙ) খোমজিন চেকখাইবদা ঘী/বট্টর শীজিন্নবা :-** খোমজিন চেকখায়বদা ঘী নৎত্রগা বট্টর অদু শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙদা তৈবীগনি। মসিনা চেকখাইরিবা উনশাশিংদু থোৎহল্লি অমদি নীংথিনা শঙ্গোম শুম্বা ঙমহল্লি।

**চ) অশোক অপন থোকপদা য়ুবী থাও অমদি চনম শীজিন্নবা :** অশোক অপন অমদি লেনথৎ খোৎতৎপদগী শোকপদা য়ুবী থাওগা চনমগা শুরগা মদুদা থোরকপা মহীদুগা পূন্না মীকচর শেল্লগা মহীদুনা তৈবীরগদি য়াম্না থুনা হঞ্জিলহল্লি।

**ছ) তীল চেনবা হন্থহনবা :** তীল চেনবা হন্থহন্নবা কিহোম মনা পীজবীগনি। মসি নুমিৎ ৪-৫নি পীজবীগনি। নোংমদা কিহোম মনা ৫-৭ ফাওবা পীজবীবা য়াই।

জ) মপান থোকপদা ঈ য়াওবা তারগদি ঈশিংদা চা মনাসি গ্রাম ১০০ ফুৎলগা মহীদু নুমিৎ ৩নি লোম নোংমদা ৪/৫রক পীথক্লগদি হায়রিবা অনাবসিদগী ফবা ঙমহল্লি।

ঝ) মখোঙ হাম্বা য়াদবদা আতাগা হঙ্গাম থাও অমদি চিনি অঙাংবগা পূন্না পীজরগদি ফবা ঙমহল্লি।

ঞ) অশোক অপন, লেনথৎ-খোৎতৎপদা ঈ থোক্লকপা য়াওরগদি সনারৈ মনাসি পেষ্ট শেল্লগা থোম্বীবদা থোক্লিবা ঈদু খকপা ঙম্মী।

ট) করিগুম্বা মতমদা অশোক অপন য়াওদুনা অশোকপা জগাদু মতম চানা লায়েংবীহৌদ্রগদি হয়িং ময়াম তোংশিন্দুনা হন চঙলগদি চুম্বে মনাসি খুবাম অমা হেকপীরগা শুগাইবীরগা হন চঙলিবা জগাদুদা থোম্বীগনি অমদি ফিনা/বেন্দেজনা য়েৎশিল্লগা নোংমদা অনীরক তৌবীগনি। অসুম্না নুমিৎ হুমনিমুক তৌবীরগদি হন চঙবা ঙমহন্দে, অশোকপা মনুংদা লৈরিবা হন ময়ামশিংদু শিহল্লি।

ঠ) মশা শাগৎলকপা মতমদা থাও অহিংবা অদু ২৫০ এম এলদা হীদাক মনা কংবা ৫ অমদি শুনু মহী ২৫০ এম এল পূন্না য়ান্নবীরগা লশীংনা ময়াংলেন্দা নোংমদা ৩/৪ তৈবীরগদি হকচাং শাগৎপা ফৈ।

অসুম্না শা-ষণ নারকপা মতমদা খুদক্কী ওইনা হীদাক লাংথক ফংলক্তবা নৎত্রগা খুদোংচাদবা লৈবীরগদি মথক্তা থমজরিবা ময়ামসি শীজিন্নদুনা লায়েংবীগনি। ●

# লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপদা পাম্বীশিংদা পীরিবা মচিঙ্গাক্লা লৌরিবা থৌদাং

ডা. ৱাইখোম জিতেন

তোঙান তোঙানবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসিনা মরু ওইনা পাম্বী অদুবু খোঙলৈ থুনা মপূং মরৈ ফাহন্দুনা মরূ অমদগী মথংগী মরূ ময়াম অমা ফংহন্নবগী খোঙচৎ অসি ওইহন্নবা হোৎনৈ। অসুম্না চৎলিবা পাম্বীগী খোঙচৎ অসিগী মনুংদা থেংনবা য়াবা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাদবশিংগী মনুংদা লায়না অমদি তীলনাদগী ঙাকথোকপদসু পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসিগী য়াম্না চাওবা থৌদাং লৈ। তশেংবদি পাম্বী মখল অমদা লায়না তীলনা তাদবা হায়বসি মখোয়গী পারি পুরিগী মগুন (হেরিদিটরি) গা য়াম্না মরী লৈনৈ। অদুবু ঐখোয়না পীরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী মখল অমসুং মচিঞ্জাক মখল অদুগী চাংনসু পাম্বী অমবু লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল পীরি। পাম্বীগী চংদবা য়াদ্রবা মচিঞ্জাকশিং অসিগী মনুংদা অমা হেনবা নৎত্রগা ৱাৎপা মতমদা পাম্বীশিংদা লায়নাগী লায়ওংশিং উৎলকই। অদুবু লায়নানা শোকহনবগী চাংদি পাম্বী মখল খেন্নবা অমদি পাম্বী অদুগী চাউবা পীকপগী তাঙ্কক খেন্নবগী মতুংইন্না খেন্নগনি।

(ক) নাইট্রোজেন : - চু পাম্বীদা নাইট্রোজেন হেন্না পীরগা ফোসফরসকী চাংনা নেম্না পীবা মতমদা Pythium root rot কৌবা চুগী মরূ মরা মুশিল্লকপা মখলগী লায়না অসি তাবগী চাং ৱাংই। চু পাম্বীদা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশকী খল কায়বা মতমদা চুনাদা মরাং মরাং লাংবা মখলগী লায়না অসি তারকই। ফৌ পাম্বীদা ব্লাষ্ট কৌবা লায়না অসি নাইট্রোজেন হেন্না চাইবা লৌফমশিংদনা হেন্না তাগল্লি। ফৌনাদা তাবা ওইরো, ফৌগী মতাং মতাংশিংদা তাবা ব্লাষ্ট ওইরো নৎত্রগা ফৌ চরোংদা তাবা ব্লাষ্ট ওইরো ঐখোয়না লৌফম অদুদা চাইফম থোকপা নাইট্রোজেনগী চাং হেন্না চাইরবা মতমদা লায়না অসি হেন্না শাথীনা তাবা থেংনগনি। অমরোমদা অমুক ফৌ চরোংশিংদা তাবা Panicle blast তগী ঙাকথোকচবা ঙম্বা ফৌ মখলশিংগী ফৌ চরোংশিং অদুদা করম্বা মখলগী পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং য়াওরিবগে হায়না চাংয়েং তৌবদা জিঙ্ক অমসুং পোটাসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওরগা নাইট্রোজেনগী চাং নেম্না য়াওবা থেংনৈ। পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংবা মতমদা পাম্বী অদু থোৎ থোৎ লাওথোকই। পাম্বী অমবু শাগৎপদা চঙলিবা সেল হায়বদুগী মপাল থংবা কুয়োম অদু পাথবনা মরম ওইদুনা পাম্বীশিং থোৎ থোৎ লাওথোকই অমদি লায়না তীলনানা ইরায় লায়না চঙবা ঙমই। অমরোমদা অমুক নাইট্রোজেন কা হেন্না চাইবা লৌফমশিংগী ফৌ পাম্বীশিং নৌহৌননা চাওখৎলকপনা মরম ওইদুনা ফৌ হৌরিবা মফম অদুগী অকোয়বশিং অদু ঈশিং ঈনিলগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা তীলনা লায়না পোকহল্লিবা মহীকশিং য়াম্না থুনা মচা পোক্তুনা মশীং য়ামখৎহনবা ঙমই অমদি লায়না নৎত্রগা তীলনা অদু ঙাকথোকপদা অৱাবা মায়োক্লে।

ফোসফরস অমসুং পোটাশ : পাম্বীশিংদা ফোসফরসকী চাং ৱাংনা পীবা মতমদা ফঙ্গসশিংনা পাম্বীগী মনাদা তাবগী চাং নেমই। মসিগী মরু ওইবা মরমদি সেল্ল্যুলর মেম্ব্রেনদা য়াওবা ফোসফোলিপিদ কৌবা পাম্বীশিংবু অঙৈং অশা অমদি লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংলিবা পোৎলম অসি শেম্বদা ফোসফরস অসি চঙদবা য়াদ্রবা পোৎচাক অমনি। ফোসফরস মরাং কায়না চাইবনা পাম্বীগী মরূ মরা মরাং কায়না তাহন্দুনা মহীকশিংনা মরূ মরাদা লান্দারকপদগী ঙাকথোকচবা ঙমই।

পোটাসিয়ম ৱাৎনা ফংবা পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেন য়াওবা পোৎলম অমদি চিনিগী শরুকশিং চাং ৱাংনা য়াওই। হায়রিবা ফীভম অসি মহীশিংনা পাম্বীশিংদা লান্দাবদা য়াম্না নুংঙাইবা মওংনি। মরম অদুনা লায়না তীলনানা ইরায় লায়না লন্দাই। অমরোমদা অমুক পোটাসিয়ম মরাং কায়না পীবা পাম্বীশিংদি মশা কল্লি অমদি সেল ৱাল কৌবা সেল অমগী মপান থংবা কুয়োম অদু থাবনা মরম ওইদুনা লায়নাগী মহীকশিংনা লায়না চঙবা ঙমদে।

কেলসিয়ম :- পাম্বী অমগী মপান থংবা কুয়োমবু থা-থা লাওহনবদা মপূং ওইবা থৌদাং লৌবা কেলসিয়ম Pectate হায়বদু শাবদা কেলসিয়ম অসি তঙাইফদনা চঙবনা মরম ওইদুনা লৌফমশিং কেলসিয়ম য়াওবা হার (সিঙ্গল সুপর ফোসফেট, শুনু) নিংথিনা শীজিন্নবা লৌফম্না লায়না তীলনা তাবগী চাং নেমই।

সলফর :- পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নরিবা সলফর কৌবা পোৎলম অসি ঐখোয়না কোকফাই মখল কয়া অমদগী ঙাকথোক্লবগীদমক পাক শন্না শীজিন্নরি। থাও থোকপা পাম্বীশিংদা তাবা পাওদরি মিলদিয়ু লায়নাগীদমক অদুগা পাম্বী মখল অসিগী দরকার লৈবা সলফরসু পীনবগীদমক সলফর পাওদর (মফোল) নৎত্রগা মহীশিং শীজিন্নদুনা লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা পাম্বীশিংনা থাও থোকপগী চাংসু হেনগৎহন্নবা শীজিন্নে।

কোপ্পর :- পাম্বীশিংদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইনা কোপ্পর শীজিন্নবনা কোকফাই অমসুং বেক্টিরিয়ানা থোকহনবা লায়না কয়া অমদগী ঙাকথোকপা ঙমই। পাম্বীশিংনা দরকার লৈবা চাংগা য়েংনবদা হীংকুপশিং (মাইক্রোব) শিংদি কোপ্পর অসি চাং য়াম্না নেম্না দরকার লৈ। মরম অদুনা পাম্বীশিংনা দরকার লৈবা চাং অদু পীবা মতমদা লায়না থোকহন্নবা মহীকশিং হিংবা ঙমদে। অমরোমদা অমুক Lignin কৌবা পাম্বীগী মপাল থংবা কুয়োম্বু কলহনগদবা মচাক অসি শেম্বদা কোপ্পর অসিনা অচৌবা থৌদাং য়াই।

মথক্তা পনখ্রিবা অসিখক নত্তনা জিঙ্ক, মেঙ্গানিস, বোরোন, মোলিবদেনম অমদি আইরননচিংবশিংনা তোঙান তোঙানবা পাম্বীশিংদা তোঙান তোঙানবা লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোকপগী ৱাফম লৈ।

পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেন হাপ্পগী চাং হেনগৎলিবা খুদিংগী লায়না তীলনা তাবগী চাংসু হেনগৎলি। অদুগা অতোপ্পা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং দরকার লৈবা চাং অদু য়ৌনা চাইরিবমখৈ থোকহনবা য়াবা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী শক্তি হেনগৎহল্লি। পাম্বীশিংনা চাং য়ামদনা দরকার লৈবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসিনা পাম্বীশিংবু লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা মতেং পাংই। মতৌ অসুম্না পাম্বীশিংদা পীফম থোকপা মচিঞ্জাকশিং কাঙলোন চুম্না পীরবদি লৌফমদা অহেনবা হু কয়া চাইথোক্তুনা ঐখোয়গী অকোয়বদা মোৎশিনবগী থবক অসি হন্থহনগনি। অমরোমদা অমুক পাম্বীশিংবু নীংথিনা মচিঞ্জাক পীবনা অহেনবা পোৎথোক পুথোক্তুনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহল্লি।

কাঙলোন চুম্না পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীবনা পোখোক চাথোক হেনগৎহনবা খক নত্তনা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা মতেং ওই হায়বসি কাউবীগনু। ●

ষ্টেটকী পাউ

## চীফ মিনিষ্টরগী ‘গুদ গভর্ণান্স’ দিপার্টমেন্ট ...

*লামায় ১গী মখা...* পীবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না কেস অসি থৌবালগী এস দি পি ওদা ওইনা এনদোর্স তৌরে অদুগা অহানবদা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথনবা শিন্নখিবা সব ইন্সপেক্টর অদুনা এস দি পি ও, থৌবালদা মতেং পাংলগনি অমসুং কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী সুপরভিজনগী থবক্লা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (লো এন্দ ওর্দর) না ওইরগনি হায়বা ৱাফম কোর্টতা ফোঙদোরকখি।

মশ্বাইদা লাক্লিবা ৱাফমদি কেস অসিগা মরী লৈননা মীওই অহুম ফাগৎখিবগী মনুংদা অহানবা ফাবা মীওই অনীগী মনুংদা আর টি আই এক্টিভিষ্টনি হায়বা মীওই অমগা অহুমশুবা ফাগৎখিবা মীওই অদুসু আর টি আই এক্টিভিষ্টনি হায়বগা লোয়ননা অহুমশুবা মীওই অসিবু থা অসিগী ২দা কোর্টতা পুথোরক্তুনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকপগী ৱারোলদা আর টি আই এক্টিভিষ্টনি হায়রিবা মখোয় অনীনা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট খরদগী য়াল্লবা শেনফম খরা খোমগৎলম্লে হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

পুলিসকী প্রেয়র অদুগী মতুংইন্না মখোয়না এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতগী লুপা ৫০,৫০০, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টতগী লুপা লিশীং ৩০, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিপার্টমেন্টতগী লুপা লাখ ৩গী শেনফম খোমগৎলম্লে হায়বা ৱাফম কোর্টতা ফোঙদোকখি।

মসিগী মথক্তা ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা সোসল ৱার্করনি হায়বা মীওই অমগী মমিংসু পুলিসনা কোর্টতা পন্দুনা মঙোন্দগীসু মখোয় অনীনা লুপা লাখ ১গী শেনফম লৌশিল্লম্লে হায়খি। অদুগা পুলিসনা প্রেয়র তৌরকখিবা অদুদা মমিংদি পল্লক্তবা ‘নেম ওমিটেদ’ হায়না থাবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসর অমদসু মখোয়না লুপা লাখ ৫গী শেনফম পীননবা দিমান্দ তৌরম্লে। অদুবু মখোয়বু ফাবা ফাওবদদি হায়রিবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসর অসিনা লুপা লাখ ৫গী শেনফম অসিদি মখোয়দা পীরমদ্রি হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা পুলিসনা ফোঙদোকখি।

কেস অসিগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন চথরল্লিবা পুলিসকী আই ওগী মায়কৈদগী কোর্টতা ফোঙদোরল্লিবা ৱাফমশিং অসিনা অচুম্বা ওইরগদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরদা গুদ গভর্ণান্স অমা পুরক্লবা হোৎনরল্লিবা অমসুং পুরকপসু হৌরবা লৈঙাকলোন অসিবু দিপার্টমেন্ট খরনা আর টি আই এক্টিভিষ্ট খরদা কমপ্রোমাইজ/নেগোসিএট তৌদুনা মন্ত্রিক্লরগা শেল ওইনা পীরল্লব্রা হায়বগী ৱাফম থোরকপনি।

করিগুম্বা পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগা মরী লৈননা কোর্টতা ফোঙদোরল্লিবা ৱাফমশিং অসিনা অচুম্বা ওইরগদি দিপার্টমেন্ট খরনা মণিপুর লৈঙাকপু গুদ গভর্ণান্স ওইহন্নবা হোৎনরল্লিবা অসি ফৈজৈ চিংথোক্লম্বনি হায়না ফাওবা লৌবা য়ারোইদ্রা হায়বা ৱাফমসু থোরকখিবনি।

লোয়ননা আর টি আই এক্টিভিষ্ট খরনা লোয়শঙশিং অসিদা হংলকখিবা ৱাহংশিং অমসুং তাল্লকখিবা দোক্যুমেন্টশিংবু শেলগা মন্ত্রিক্লদুনা লুপা লাখনা খুজিং ওইদুনা পীরম্বগী থৌদোক অসিনা অচুম্বা ওইরবদি হায়রিবা দিপার্টমেন্টশিং অসিগী শেল পীদুনা নেগোসিএট তৌরল্লিবা ওফিসলশিং পাঙথোকফম থোকপা মথৌ নিংথিজনা পাঙথোক্লমদবদগী মদুবু কুপশিন্নবা হোৎনরম্বা মরালশিংগী চৈরাক পীবদা নত্তনা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী মখাদা বুক তৌদুনা এক্ট অসিগী পীফম থোকপা চৈরাক ফংহনফম থোক্তব্রা হায়বগী ৱাহংসু হন্দক্কী থৌবালদা বি জে পিগী এক্স সর্ভিসমেন সেলগী কনভিনর অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা থৌদোক অসিদগী হংনরকপা হৌরে।

মরম অসিনা লাইশ্রম রামেশ্বরবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎলকপা কেসকা মরী লৈননা চেন্নবা মীওইশিং হৌজিক ফাওবদা মায় পাক্লা ফাগৎতুনা পুলিস কষ্টদিদা থল্লকপা অমসুং জেলদা থাজিনবা ফাওবগী মায় পাক্লা ইনভেষ্টিগেসন চথরল্লিবা অসিনা কেস অসিগা মরী লৈনবা তৌফম থোকপা পুলিসকী থবকশিং ওইরগসু ফারবা অমসুং থৌদোক অসিগী এক্ক্যুজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরবা মীওই অনীসিদা শেল পীদুনা মন্ত্রিক্লরম্বা দিপার্টমেন্ট খরসিগী ওফিসলশিংদনা অতোপ্পা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা কেসশিং লৌখৎফম থোকই হায়বা ৱাফমসু মীয়াম্না ফোঙদোক্লরক্লি।

## প্রেমানন্দগী মীশি দ্রগ লল্লোনবশিংগী খূৎ য়াওরমগদ্রা চিংনৈ...

*লামায় ১গী মখা...* লেম্না খক থারোই। মঙোন্দা ফাওবা সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা কিহল্লকপা লৈ হায়রদুনা দ্রগ লল্লোনবা অমসুং পোপি থাবশিং মরূ ফংনা মূথৎকনি হায়না ঙসিগী থৌরমদা শরুক য়ারখিবা মীয়ামগী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাশকখি।

লোয়ননা চীং অমসুং তমদা মরম চাদনা লম লৈবা য়োনবগী থবক থিংনবা লৈঙাক্লা লৌবা ফিরেপ হেন্না চেৎশিলহল্লগনি। হৌজিক ইম্ফাল এরিয়াদা লম মতিক চানা লৈতবনা মীয়াম্না লৈবদা কা হেন্না চিনবগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরক্লবনি। কনাগুম্বশিংনা চীং অমসুং তমগী এরিয়াদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী), ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল নৎত্রগা গ্রাম পঞ্চায়টশিংগী অয়াবা য়াওদনা লম লৈবা নৎত্রগা য়োনবা য়াররোই হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ইম্ফাল এরিয়াদা মী কুংনা তাবগী চাং অসি খরদং ওইরবসু হন্থহন্নবা রেসিদেন্সিএল কমপ্লেক্স খরা শেমগৎনবা লৈঙাক্লা থৌরাং তৌরি। লৌ উবা য়াদবা মফমদা য়ূম শাসি। লৈঙাক্কী পান্দম অমগী মখাদা মণিপুরবু মোদেল ষ্টেট অমা ওইহন্নবসু হোৎনরি হায়খি।

লোয়ননা মীয়াম্বু নুংঙাইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি মহাক্লা লুচিংলিবা লৈঙাক্কী পান্দমনি হায়নসু ফোঙদোকখি। ভোট কাখ্রগা মাগী মাগী কন্সটিট্যুএন্সি হন্না য়েংদবা অদুগা ভোট ময়াদা শেল খরা পুদুনা লাক্লগা ভোট লৈবগী চৎনবী অসি থুগাইরসি। করপসন অসি মরূ ফংনা মূথৎনবা ঐখোয় পূন্না অমুক্তং হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

লোয়ননা করপসন মূথৎপা হায়বসি ঐখোয় ইশা ইশাদগী হৌরসি। লৌ-ইঙ্খোল য়োল্লগা কার তোংলগুমসি। মসিগী চৎনবী অসি তোকথোক্লসি, অথুবা মতমদা লৈবাক অসিগী হিরো ওইখিবা পুখ্রম্বম কজাওগী মীতম অমা শানবা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগা তান্নদুনা মফম চাবা অমদা শাগৎনবা হোৎনরগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ম্যান্মার রোমদগী লোন্না পুশিল্লকখিবা ইল্লিগেল দ্রগশিং অমদি লোন্না চঙলকখিবা ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং অদুনা তংদু লৈতানা নুংশিননা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ ৩৫গী মরক্তা ঈরাং শাগৎপা হৌরক্লে। মসি ঐখোয় মশেল কূপ্না নৈনদুনা খঙমিন্নবা য়াম্না মথৌ তারে হায়খি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা লায়না অসিগী তমথীরবা পেন্দমিক মনুংদা মীয়াম্না খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লখি। ফীভম অদু লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু তঙাইফদনা মায়োক্ল দবা য়াদবা ফীভম অমা ওইদুনা মীয়ামগী পুন্সি কনবনা মাঙজিল থাবা থবকশিং ওইখি হায়রদুনা হৌজিক্লা হেল্থ মিনিষ্টর ওইরবা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টরগী হেল্থ এদভাইজর ওইখিবা ডা. সাপম রঞ্জননা পেন্দমিক অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাংশিংসু তৌবিমল খঙবা উৎখি।

লোয়ননা লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা মীয়ামগী থবক থৌরমশিংগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (সী এম ঐচ টি), আয়ুসমান ভারত, ৱিদো পেন্সন অমসুং স্কুল ফগৎহনসি মিসননচিংবা পনবা য়াই হায়খি।

লোয়ননা মণিপুর অসি হৌজিক চাওখৎ লম্বীদা মাঙজিল থানা চঙশিল্লক্লি হায়রদুনা থা অসিগী ১৭তগী ১৯ ফাওবা ষ্টেট অসিনা য়ূম্বু ওইদুনা জি-২০গী থৌরমশিং পাঙথোক্লনি হায়খি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না জি-২০গী লৈবাকশিংদগী লাকপা মীহুৎশিংনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা টুরিষ্ট স্পোটশিংসু য়েংগনি হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না মপুরোইবা লৈত্রবী অমসুং অহল ওইরবীশিংদা পেন্সন কার্দশিংসু চীফ মিনিষ্টরনা হকথেংননা য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা সী এম ঐচকী অমসুং লেবরগী কার্দশিংসু মসিগী বেনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকখি।

থৌরম অসিদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রতা হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর টি ঐচ কিরনকুমারসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, থৌরম অসিগী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টরনা হৈঙাং মখা লৈকায়গী কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা চীং লেল্লবা থৌরম অমদা হৈঙাং কোন্থা মখা লৈকায় মোদেল ক্লবকী নৌনা শাবা বিল্ডিং অমসুং মল্টিপর্পজ রুরেল দিভেলপমেন্ট সেন্টর হোলসু শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখি।

থৌরম অসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং লৈঙাক্কী ওফিসলশিং শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী খরদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তগী মশাগী লম অমসুং মশাগীদা খনবা ৱাখলনা মরম ওইরদুনা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশিনহন্দবা থোকহনখ্রে। অদুবু হৌজিক্তি ঐখোয় পূম্নমক মণিপুরবু চাওখৎহন্নবগীদমক চপ মান্নবা খোঙফমদা লেপমিন্নরসি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোরক্লিবা একটা ভারতপুসু তরাম্না ওক্লদুনা লৈবাক অসি হৌজিক মালেমগী সুপর পাৱরশিংগী মনুংদা অমা ওইরক্লে । হন্দক্তা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বডজেট, ২০২৪গী মতাংদা পল্লদুনা বডজেট অসি অশানবা মীৎয়েং অমগী মখাদা পুথোরকপনি। মসিমক্লা লাক্কদৌরিবা চহী ২৫গী মনুংদা মালেমগী সুপর পাৱর লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা মকোক থোংবা ঙমগদৌরিবনি হায়খি।

লোয়ননা পোলিটিক্স হায়বসি মীয়ামগী য়াইফনবা অমসুং চাওখৎপা পুরক্লবা তৌগদবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা বেহিয়াংদা মণিপুর সাউদর্ন কলচরেল সেন্টর হাংদোকপা, মখেলদা হেরিটেজ পার্ক থম্বা য়াওনা ষ্টেট অসিগী ঙমখৈ পরিংদা পুলিস ষ্টেসন ৩৪ থম্বগা লোয়ননা ঐখোয়গী লাই ওইখ্রবা থৌনা ফবা ইপা ইপুশিংগী মীতমশিংসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খিন্দুনা থম্বা ঙম্লে হায়খি।

চীং অমসুং তমগী মরক্তা অরিবা মরী হেন্না চেৎশিনহনবগী থবক অসি মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা চাওখৎমীন্নবনা ওইহল্লকপা ঙমগনি হায়খি। হৌজিকসু ষ্টেট অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং তৌগদবা য়াম্না ৱাৎলি হায়রদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী প্রাইম মিনিষ্টরগী লমজিং মখাদা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী পুন্সি মরেক মহাউ থোকহনবগা লোয়ননা পুন্সি মরেল হেন্না ফগৎহন্নবা অরৈবা পাম্বৈশিং পুথোক্তুনা হোৎনরল্লি হায়খি।

মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা অমগা অমগগী মরক্তা মান্নদবশিং নাথৈদুনা থল্লল্লগা চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইরক্লবা খূৎশম্না হোৎনমিন্নরসি। মরমদি ফুরুপশিং অসি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী অমত্তা ওইনা হিংমিন্নরক্লবনি হায়খি।

কনাগুম্বা ইমুংশিংদা দ্রগ এদ্দিক্টশিং লৈবা য়াওরগসু লোৎশিন্দুনা থম্বীগনু। মসিগী মহুত্তা মখোয়বু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা থম্বীয়ু হায়দুনা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সুনুসিফাইদা রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমা হাংদোক্লে হায়খি।

লোয়ননা ঐখোয়গী মীশিং অসি য়ামজদবনিনা ঐখোয়গী নহারোলশিংবু ময়াই কাবা দ্রগকী ঈপাক্তগী কলহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।